# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-03-2026)**

**পোর্টফোলিও (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি শ্রী য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা মন্ত্রি-মন্দল করন্বা মতমদা মখা তানা চাউথোক্কদগে হায়বগী চপ চাবা পাউ লৈত্রি। থাজবা য়াবা পাউশিংগী লীখুননা হায়-মন্ত্রি মন্দল চাউথোকপা অসি হৌজিক পাঙথোক্লিবা য়াউশং কুম্দে মতুংদা ওইরক্লবা য়াই।

মরক অসিদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মমাং থাগী ৪ দা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌবা নুমিৎতা পুন্না ৱাশক লৌমীন্নখিবা উপ মুখ্য মন্ত্রি অনি অমসুং মন্ত্রি অনিনা পায়গদবা বিভাগশিং ঙরাং লাউথোকখ্রে।

উপ মুখ্য মন্ত্রি-নেমচা কিপগেননা রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ দিপার্টমেন্ট অমসুং ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্ট পায়রগনি। উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোনা পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্ট পায়রগনি।

গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হোম দিপার্টমেন্ট অমদি য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট পায়রগনি। খুরাইজম লোকেন সিংহনা আর্টস এন্দ কলচর অমদি টুরিজম দিপার্টমেন্ট পায়রগনি।

উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং অতৈ মন্ত্রিশিংনা পায়দবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা পায়গনি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য পুলিসনা হায়রি-হৌখিবা পুং ২৪ দা মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম পুন্না য়েংবদা শান্তি ওইরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অদম্ওইনমক চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্দবগী থবক চথবা অমসুং জিলা অমগা জিলা অমগা তায়নবা চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবকসু

মখা তানা চত্থরি। অককবা পাউশিং খোমজিনদুনা, মদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা থিবা হুম্বগী থবক কয়াসু লেপ্তুনা চত্থরি। মদুদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং ক্রিমিনেল এক্তিভিতিশিংদা চেন্নবা মীওই কয়াসু ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মরক অসিদা, ঙরাং তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন মপাদা হাংদোক্লিবা নকা চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা থার গাড়ি অমদগী ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেট কিলোগ্রাম অনি গাম ৩৩ অমসুং ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম মখায় অমরোম ফাগৎলে।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** ওষ্ট্রেলিয়াদা চত্থরিবা এ.এফ.সি. ৱিমেন্স এসিয়ান কপকী ঙরাং ভারত অমসুং ভিয়েটনামনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মনিপুর মচা ৯ য়াওবা ভারতকী নুপী টিমনা লৌখিবা থৌদাং অদু রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা ভারত অমসুং মনিপুরগী চাউথোকচনিংঙাই ওইবা মীকুপনি হায়না শিংথাখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা হিগোক মচুগী জরশি লিৎখিবী ভারতকী শান্নরোইশিং অদুবু হিগোক মচুগী কৈশিংনি হায়না শিংথারদুনা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়-মেটচ অদুদা মখোয়না উৎখিবা থৌনা লিংজেল অমদি হৈ-শিংবশিং অদুনা ভারত টিমগী পারফোমেন্স হেন্না ফজরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইন্দিয়ান সেনিয়ার ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপটেন ওইরিবী সুইতি দেবী ঙাংবমনা এ.এফ.সি. ৱিমেন্স এসিয়ান কপ অসিদা লৌরিবা থৌদাংবুসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মখা তানা কন্না হোৎনদুনা থাংজ নুমিৎকী মেটচতা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু রাজ্যপালনা য়াইফ মাঙ্গোল পীরি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** ওষ্ট্রেলিয়াদা চত্থরিবা এ.এফ.সি. ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমগী কেপটেন ওইরিবা সুইতি দেবী ঙাংবমদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা য়াইফ মাঙ্গোল পীখ্রে।

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সুইতি দেবীনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এসিয়ান কপ অসিদা ভারত টিমগী কেপটেন ওইরকপা অসি ঐখোয় পুমমক্কী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি। সুইতি দেবীনা থকশি খাশি লৈনা কৎথোকপগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি। মনিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ভারতকী টিমনা য়ামা চেকশিন্না পুকিং চংনা অমদি থাজবগা লোয়ননা শান্নদুনা মনিপুর অমসুং ভারতপু মালেমগী মমাংদা চাউথোকচবা ফংহনবা ঙম্বা ওইরসনু। মনিপুরগী মীয়াম অমসুং ভারতনা মখোয়গীদমক লেপ্তুনা লৈরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা পুকিং থৌগৎখি।

এ.এফ.সি. ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা মনিপুরগী কেম্পেইন ঙরাংদগী হৌখ্রে। গ্রুপ ষ্টেজগী ওইনা ঙরাং ভিয়েটনামগা শান্নখিবা ভারতকী অহানবা মেটচতা ভিয়েটনামনা ভারতপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। গ্রুপ মেটচকী ভারতকী অনিশুবা মেটচ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং মরি মখায়দা জপানগা শান্নগনি। গ্রুপ মেটচ অসিগী অরোইবা মেটচনা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং অনি মখায়দা ভারতনা চাইনিজ তাইপৈগা শান্নগনি।

**লানঃ** আমেরিকা অমসুং ইজরেলগী চুংশিন্নবা কাংবুনা ইরানগী মথক্তা লান্দাবা হৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি লুশিল্লক্লি।

লান্দারকপা অদুগী পাউখুম ওইনা ইরাননা গল্ফ লৈবাক তরেৎতা লৈবা আমেরিকাগী বেজশিংদা লেপ্তুনা খুৎ হল্লক্লি। হৌখিবা অহিংদসু ইরানগী বোম্মরশিংনা কতারদা লৈবা আমেরিকাগী ক্রুপশিংদা বোম থাদনবা পাইশিল্লকপদা কতারগী ইয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনা কাপথদুনা মায় পাকহনখিদ্রে।

অমরোমদা, আমেরিকাগী দিফেন্স সেক্রেটরি-পিতে হেগসেথনা ভারত মহাসাগরদা ইরানগী লালগী জহাজ অমা তোরপেদো সবমেরিনদগী মীসাইল কাপ্তুনা ঈশিংদা লুপহনখ্রে হায়না দাবী তৌখ্রে। পেনতাগোননা লান অসিগা মরী

লৈননা পীবা ৱারোল অমদা শ্রী হেগসেথনা হায়-মমাংগী অহিংদা চথখিবা ষ্ট্রাইক অমদা ইরানগী লানগী জহাজ অমা লুপহনখিবা অসি মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাউ মতুংদা য়েকবগী জহাজ অমদা চাউনা অমাং অতা থোকহনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

শ্রীলঙ্কাগী ওথোরিতিশিংনা হায়-থৌদোক থোকফমদগী ক্রু মেম্বর ৩২ কনবা ঙমলে। মহাসাগর অদুদগী অশিবা হকচাং কয়ামরুমসু ফংলে। শোল্লবা খরনা হোস্পিতালদা লায়েংবগী থবক চথরি।

**মিনিষ্ট্রিঃ** নোংচুপ এসিয়া অমসুং গল্ফ লমদমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না কন্ত্রোল রুম অমা হাংদোক্লে।

কন্ত্রোল রুম অসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা হাংদুনা থমগনি। মসিগী টেলিফোন নম্বরনা-১৮০০-১১৮৭-৯৭ নৎত্রগা ০১১-২৩০১-২১১৩ নৎত্রগা ০১১-২৩০১-৪১০৪ নৎত্রগা ০১১-২৩০১-৭৯০৫ নি।

মরক অসিদা, ইয়ার ইন্দিয়ানা হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা তোরোতো, ফ্রেঙ্কফ্ররট অমসুং পেরিসতা অহেনবা ফ্লাইটশিং থাদুনা ভারত মচাশিং লৌথোকপদা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙরাংসু ইন্দিয়া ইয়ার লাইন্সনা ফ্লাইট ৫৭ পায়দুনা গল্ফ লমদমদা পন্দুনা লৈরিবা ভারত মচাশিং হোন্দোরকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা প্রেস ছুতি ওইখিবদগী ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা লৌখৎচরি।

মনিপুর সরকারনা কেবিনেট পোর্টফোলিও শেমখিবগী পাউ ঙসি চীংদা

ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-অৰাং নোংপোক লমদমশিংগী মীয়ামদা চথুবা থৌওংশিংগী মথক্তানাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা হায়বগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা মহাক্কী মিনিস্তরশিংগী পোর্টফোলিও শেমখিবগা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-নেসনেল হায়ৰে টুদা থোকহনখিবা অমাং অতাশিং এম.পি.ওনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউ, মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।মনিপুর সি.এমনা এম.পি.ওগী মীহুৎশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী পাউ পাউ চে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।